য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পুথোকপা হ্যুমেন রাইটস রিপোর্টতা মণিপুরদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা অমসুং হর্দিপ নিজ্জার মীহাৎকী ৱাফম ফোঙলকখ্রে

ৱাশিংটন দিসি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি) : য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকানা ফোঙবা কুমজা ২০২৩ গী হ্যুমেন রাইটস রিপোর্টতা মণিপুরদা মমাং চহীগী মে ৩ দা কাংলুপ অনীগী মরক্তা থোরকখিবা ইরাংদা মীওইবগী হক খোঙ্গোয়নবগী থৌদোক কয়া থোকখিবা অমসুং কনাদাদা সিখ কাংলুপকী এক্টিভিষ্ট হর্দিপ সিংহ নিজ্জার হাৎখিবগী ৱাফম য়াওরকখ্রে হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ষ্টেটনা শেম্বা রিপোর্ট অদুদা ইন্দিয়াগী টেক্স ওথোরিটিশিংনা য়ু কে দা বেজ তৌবা ব্রোদকাষ্টর বি বি সি গী ওফিসতা রেইদ চথখিবা অদুসু য়াওরকখি। মসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা কম্মেন্ট অমত্তা পীরকপা লৈখিদ্রি।

ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরস (এম ই এ) না মমাংদা য়ু এস না হ্যুমেন রাইটসকী মতাংদা ফোঙলকখিবা রিপোর্টশিং অরানবা পাউদা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি অমদি ইন্দিয়াগী প্রোসেসপু লান্না উবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা চহীদসু য়ু এসকী অসিগুম্বা রিপোর্ট অসি নাকল অমগী মীচং চংবা য়ু এস ওফিসিয়েল খরগী ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি হায়না হায়খিবা লৈখ্রে।

হ্যুমেন রাইটস রিপোর্ট অদুদা মণিপুরদা কাংলুপ অনীগী মরক্তা থোকপা ইরাংনা মরম ওইরগা য়ামদ্রবদা মীওই ১৭৫ শিখ্রে অমসুং মীওই লিশীং ৬০ হেনবনা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরি হায়বা ৱাফম য়াওরি। কাংলুপ অনীগী ইরাং মনুংদা খুৎলাই পায়বা মীওইশিংগী মরক্তা কনফ্লিক্ট থোকপা, নুপী অঙাংদা ফু-চৈবদগী হেন্দোক্তুনা ইজৎ ফাওবা মাংহনবীবা, য়ুম-মৈ থাবা অমদি লাইনিং-লাইশোন অমদি লল্লোন ইতিক্কা মরী লৈনবা মফম কয়া থুগায়বগী রিপোর্টকা লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্না ইরাং অসিবু মতম চানা লাকশিন্নবা হোৎনখিদে হায়বগী রিপোর্ট ময়েক শেংনা ইরি।

য়ু এস কী হ্যুমেন রাইটস রিপোর্ট অদুদা ইন্দিয়াদা পাউমীশিংবু তাথি তাওইনা তৌবীবা, মতিক চাবা মরম লৈতনা মীফা মীপুন চথবা অমসুং অচুম্বা ঙাঙবা মীওইশিংগী মথক্তা ক্রিমিনেল লো পানশিনবীবগী ৱাফমশিং হাইলাইট তৌদুনা য়াওরি।

হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা বি বি সি না “ইন্দিয়া: দি মোদি ক্বেসন” মিংথোনবা কুমজা ২০০২ দা থোকখিবা গুজরাট রাইওটসকী মতাংদা নম্বা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমা উৎলুরবা মতুংদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা দেল্লি অমসুং মুম্বাইদা লৈবা বি বি সি গী ওফিসশিংদা থী-হুম্বগী থবক চথখি।

ফিল্ম অসি মুস্লিম অমদি হিন্দু কাংলুপ অনীগী মরক্তা হিংশাগী থৌদোক থোকখিবা অদুগী মতাংদা মোদিনা চিফ মিনিষ্টর ওইনা লৌখিবা থৌদাংশিং অদুগী মতাংদা পুথোকপা ফিল্মনি। টেক্স ওথোরিটিশিংনা বি বি সি টেক্স পেমেন্ট অমসুং ওনরশিপ ষ্ট্রকচরদা চিংনবা লৈবদগী থী-হুম্বগী থবক চথবনি হায়রবসু বি বি সি গী ফাইনান্সিয়েল প্রোসেসকা মরী লৈনদবা জর্নেলিষ্ট কয়াগী ইক্যুপমেন্ট ফাগৎখি। লোয়ননা সেন্টর লৈঙাক্না য়ুট্যুব অমসুং ত্বিটরদা দোক্যুমেন্টরি অসিগী ভিদিও লিঙ্ক শেয়র তৌনরিবশিং অদু লৌথোক্লবা খঙহনখি।

মসিদা নত্তনা সেন্টর লৈঙাক্না ইমর্জেন্সি পৱার শিজিন্নদুনা দোক্যুমেন্টরি অসি স্ক্রিনিং তৌবা থীংখিবগা লোয়ননা ফিল্ম অসি য়েংনবা ভিয়ুৱিং পার্টি শেল্লস্বশিং ফাগৎখি হায়না য়ু এস কী রিপোর্ট অসিদা ইরি।

অমরোমদা টেররিজম অমসুং মাওইষ্ট ইন্সরজেন্সিনা শোকহল্লবা মফমশিংদা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গোয়নবগী ৱাফমসু য়াওরি।

কনাদাদা শিখ কালুপকী এক্টিভিষ্ট হর্দিপ সিংহ নিজ্জার হাৎখিবা অদু ইন্দিয়াগী এজেন্টশিংগী এক্সত্রা জুদিসিয়েল এক্সননি হায়রি। ইন্দিয়াগী ইন্টেলিজেন্স ওফিসিয়েল অমনা খালিষ্টানি সেপরেটিস গুরপৎৱান্ট সিংহ পনুবু ন্যু য়োর্ক সিটিদা হাৎনবা হোৎনরম্মী হায়না য়ু এস না মরাল শিখিবা থৌদোক অদুসু রিপোর্ট অসিদা য়াওরি।

য়ু এস কী রিপোর্ট অসিদা ইরিবা ৱাফম কয়া অসি য়েংলুরগা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী সেনিয়র ব্যুরো ওফিসিয়েল রোবার্ট গিলখৃষ্টনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মীয়ামগী খল্লগা হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈননা লৌখৎকদবা থৌদাং অমদি ঙাক শেনগদবা ওব্লিগেসনশিং অদুদা অহেনবা মীৎয়েং থম্নবা অপিল তৌরকখ্রে হায়রি।

ভিসাগী মতম শাংদোকপীয়ু য়াখিদে

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি) : ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা নোংমত্তা ঙাইরবা মতমদা মোদি লৈঙাক্না অষ্ট্রেলিয়াগী জর্নেলিষ্ট অমগী ভিসাগী মতম শাংথোকহল্লক্তবদগী ইলেক্সন কভরেজ তৌবা ঙমদনা হল্লকখি হায়না ঙসি জর্নেলিষ্ট অদুনা ফোঙদোরকখ্রে।

দি সাউথ এসিয়া ব্যুরো চিফ হায়রিবা অষ্ট্রেলিয়াগী ব্রোদকাষ্টিং কোওপরেসনদা থবক তৌবা জর্নেলিষ্ট অভানি দিয়াসপু মহাক্কী রিপোর্টিংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়োক্তা অহেনবা ৱা ঙাঙই হায়দুনা ইলেক্সন নোংমা ৱাৎলিঙৈ এপ্রিল ১৮ দা মহাক্কী ভিসা শাংদোকপীয়ু হায়রুবদা য়ারক্তবনি হায়রি।

মসিগী মথক্তা ইন্দিয়ান মিনিষ্ট্রিগী দাইরেক্টিভ অমনা মহাক্কী ইলেক্সন এক্রিদিটেসন হায়বদি ইলেক্সন অসিবু কভরেজ পীনবা অয়াবা চেরোল অদু পীরক্লরোই হায়বগী ৱাফম থল্লকখি। ইন্দিয়াদা চহী অনী মখায় হেন্না জর্নেলিষ্টকী থবক তৌদুনা লাক্লবা মীওই অমবু মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেটিক প্রোসেসনি হায়রিবা এক্সরসাইজ অসিগী মাংওইননা ভিসা পীরকখিদবদগী ইলেক্সন কভরেজ তৌহন্দবা অসি লৈঙাক অসিগী করি করম্বা থৌশিলনো হায়না অভানিনা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

রসিয়ানা টি ভি টৱার থুগায়দুনা কম্যুনিকেসন থদৎনবা হোৎনবনি ঃ ভোলোদিমির জেলেন্সকি

খার্কিভ, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি) : রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী বোর্দর এরিয়াদা লৈবা খার্কিভ হায়না খঙনবা মফম অমদা মিটর ২৪০ ৱাংবা টেলিভিজন টৱার অমা রসিয়ানা এয়র ষ্ট্রাইক তৌদুনা থুগায়খিবদু য়ুক্রেনগী কম্যুনিকেসন সিষ্টেম থদৎতুনা লান অসিদা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবনি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি অয়ুক অঙনবদা রসিয়াগী ফাইটর জেটশিংনা খার্কিভ য়াওনা অতে বোর্দর টাউন কয়াদা এয়র ষ্ট্রাইক চথবগী থৌদোক্তা টি ভি টৱার অসি থুগায়খ্রবা মতুংদা জেলেন্সকিনা থৌদোক অদুবু কন্দম তৌদুনা মীদিয়াদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখিবনি।

জেলেন্সকিনা হায়, য়ুক্রেনগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা সিটি খার্কিভপু রসিয়ানা বোম থাদদুনা মী তাবা য়াদবা মফম ওন্থোক্লবা হোৎনবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগা টেলিফোনগী খুথাংদা ৱারী শানরে। রসিয়ানা বোর্দর এরিয়াদা তোয়না বোম থাদদুনা মফম অদুদা লৈরিবা মীয়াম চেল্থোকখিনবা অমদি পাউ চে কয়াদা বোম থাদবগী পাউ ফোঙলক্তুনা অকিবা শক্তম অমা উহন্নবা হোৎনবনি। মদুদা নত্তনা হন্দক্কী এটেক অসিনা য়ুক্রেনগী কম্যুনিকেসন অমসুং ইনফোর্মেসন সিষ্টেমদা টার্গেট তৌদুনা য়ুক্রেনগী মফম কয়াদা লৈরিবা সেগমেন্টশিং পাউফাওনহন্দনবা হোৎনবনি হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়খি।

ঙসি অয়ুক রসিয়ানা বোম থাদখিবা অদুদা খার্কিভকী টি ভি টৱার তেক্তুনা তুথরকপদা অনকপদা লৈবা রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিংশিং অকায় অতোয় থোকখি। অদুবু মফম অদুদা লৈবা ৱার্করশিংদি বোম থাদবা হৌরকপদগী হৌনা মাংজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবদগী অশোক অপন য়াওখিদে হায়রি।

য়ুক্রেনগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা খার্কিভ সিটিদা হৌজিক হৌজিকমীওই মিলিয়ন ১.৩ হেন্না লৈরি। সিটি অসি রসিয়াগী বোর্দরদগী কিলোমিটর ৩০ রোম চথোক্লগা লৈবনি। হৌখিবা থা অসিদা য়ুক্রেনগী এয়র দিফেন্স সিষ্টেম মপাঙ্গল হন্থরকপদগী খার্কিভতা রসিয়ানা এয়র ষ্ট্রাইক চথবগী চাং হেনগৎলক্লি।

খার্কিভকী গভর্নর ওলে স্যনেহুবোভনা হায়, হৌজিক হৌজিক টি ভি টৱার থুগায়খিবনা দিজিটেল টেলিভিজন সিগনেল খার্কিভ এরিয়াদা ফংলরোই। টি ভি টৱার অসিগী ষ্ট্রকচর রসিয়াগী কে ঐচ-৫৯ ক্রুস মিসাইলনা হকথেংননা য়ৈখিবনা শেমজিন শাজিন্নবা হোৎনবদা মতম খরা চংগনি। চৈরক অসিদা মীয়াম্না কেবল টি ভি, ওনলাইন টি ভি অমসুং রেদিওগী খুথাংদা পাউ তাদুনা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈবীয়ু হায়খি।

রসিয়ানা কুমজা ২০২২ গী মার্চতা খার্কিভ এরিয়াদা লান্দাদুনা টেলিভিজন সিগনেল ককথৎপগী থৌওং চথখিবা লৈখ্রে। হন্দকসু য়ুক্রেনগী এয়র দিফেন্স মপাঙ্গল শোল্লিঙৈদা রসিয়ানা খার্কিভ অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈবা মফমশিংদা লান্দাদুনা কম্যুনিকেসন ককথৎনবা হোৎনবনি হায়রি।

কেজ্রিৱাল মে ৭ ফাওবা জুদিসল কষ্টদি লৌথখ্রে সুগর লেভেল ২০০ হেল্লকপদগী ইন্সুলিন কাপখ্রে

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি) : দেল্লিগী চিফ মিনিষ্টর ওইরিবা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালবু লিকর স্কাম পোলিসিগা মরী লৈনবা কেস অমগীদমক এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি) না ফাদুনা প্রোসিদিং চথরবা মতুংদা জুদিসিয়েল কষ্টদিদা থল্লকখ্রবা মতুং ঙসি দেল্লি কোর্ট অমনা মহাক্কী জুদিসিয়েল কষ্টদি অসি মে ৭ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না ওর্দর থোকখ্রে হায়রি।

সি বি আই অমদি ঈ দি গী কেস পায়রিবা স্পিসিয়েল জজ কাবেরি বৱেজানা কেজ্রিৱালগী জুদিসিয়েল কষ্টদিগী মতম ভিদিও কনফরেন্স খুথাংদা শাংদোকখিবনি। কেজ্রিৱাল খক্তা নত্তনা বি আর এস কী লুচিংবা কে কবিতাসু মে ৭ ফাওবা জুদিসিয়েল কষ্টদি লৌথনবা খঙহল্লকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা তিহার জেলদা মহাক্কী দাইটপু ঈ দি অমসুং বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা কেমেরাগী খুথাংদা মোনিটর তৌদুনা লৈরে হায়খি। কেজ্রিৱালনা নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী মহাক্কী ব্লদ সুগর লেভেল ৱাংখৎলে হায়দুনা ইন্সুলিন হিদাক পীনবা দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু ঈ দি না মহাক্কী ৱাফম অসি হৈনৌ অমসুং চিনি য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাক চাশিল্লগা সুগর লেভেল ৱাংলে হায়দুনা বেল লৌনবা তৌবনি হায়খি।

ই দি গী ৱাফম অসি আম আদমি পার্টিগী লুচিংবা অমদি ৱার্করশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কেজ্রিৱালবু ওথোরিটিশিংনা হাৎনবা হোৎনরে হায়না খোঙজং চংশিল্লিঙৈ ঙসি মহাক্কী ব্লদ সুগর লেভেল টেষ্ট তৌরুবদা ২১৭ য়ৌনা ৱাংলম্বদগী ইন্সুলিন হিদাক কাপহনখ্রে হায়রি।

মসিগী মতুংদা দেল্লিগী সিটি কোর্ট অমনা এইমসতা কেজ্রিৱালগী হকচাং একজামিন তৌদুনা মহাক ইন্সুলিন হিদাক মথৌ তাই নত্রগা তাদে হায়বদু খঙদোক্লবা মেদিকেল বোর্দ অমা শেম্নবা খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা ডোক্তরনা পীবা দাইট প্লান শিজিন্নদনা য়ুমদা শেম্বা চাকয়োম চারিবা অদুগী মতাংদসু কুপ্না থীজিন্নবা খঙহল্লকখ্রে হায়রি।

ফোটো কাপ্লিঙৈ মৈগী চীংদা নান্থদুনা শিরে

জকারতা, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি) : ইন্দোনেসিয়াগী ইষ্ট জাগা প্রোভিন্সতা লৈবা মৈগী চীং অমদা ফোটো কাপ্লিঙৈদা চীং অসিগী ক্রেটর মপান্দগী নান্থদুনা চাইনিজ টুরিষ্ট নুপী অমা শিখ্রে হায়রি।

‘ব্লু ফায়র’ ফেনোমেনোন হায়না খঙনবা হিগোক মচুগী মৈ থোকপা মৈগী চীং অসি ইন্দোনেসিয়াদা টুরিষ্টশিংনা য়াম্না পাম্না য়েংনবা মফম অমনি। মফম অসি ওথোরিটিশিংনা কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা টুরিষ্ট চংবা য়ারে হায়দুনা মীয়ামদা হাংদোক্তুনা থম্বনি। অদুবু ঙসি হুৱাং লিহোং (৩১) অমসুং মহাক্কী মপুরোইবা ঝাং য়োংনা টুর গাইদ অমগা লোয়ননা অয়ুক অঙনবদা নুমিৎ থোক্লকপা য়েংনবা মৈগী চীং অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা জাগাদা কাখৎতুনা ঙাইদুনা লৈখি।

নুমিৎ থোকপা ঙাইরিঙৈদা মপুরোইবদা ফোটো কাপ্পীয়ু হায়দুনা লিহোংনা ফোন পীরবা মতুং মৈগী চীং অসিগী ক্রেটর মপান্দা হৌবা উপান্বী অমগী মনাক্তা চংশিন্দুনা লেপ্লবা হোৎনরিঙৈদা মহাক্না শেৎলকপা অচোনবা দ্রেস অদুদা নেৎশিন্দুনা তুথরকপদা ক্রেটর মনুংদা তাশিনখি।

লিহোংনা ক্রেটর মনুংদা মিটর ৭৫ রোম তাশিন্দুনা মৈগী চীং অসিগী লাভা থোক্লফম মপান্দা য়ৈশিন্দুনা লৈখিদবনি হায়রি।

কুমজা ২০১৮ দসু ভোলকেনো অসিদগী হু চেনবা গ্যাস থোক্লক্তুনা অকোয়বদা লৈবা য়ুম কয়া থাদোক্তুনা মীয়াম চেন্নখি। অদুবু শাথিরবা মফম অসি ওথোরিটিশিংনা মোনিটর তৌদুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা খুদোংথিনিংঙাই ওইদে হায়দুনা টুরিষ্ট চংবা য়াহনখিবনি।

চৈরক অসিদা সোসিল মীদিয়াদা থাগৎনবা ফোটো কাপ্পদা মীয়ামগী লাইক ফংনবা অমদি ভাইরেল চৎনবা হৌগৎলক্লিবা নহা কয়ানা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মফমশিংদা চংদুনা নত্রগা খুদোংথিবা য়াবা এক্সন তৌদুনা ফোটো অমদি ভিদিও কাপ্পগী চৎনবী হেনগৎলকপনা অশোয় অঙাম অমদি অশি অনা য়াওবগী থৌদোক হেনগৎলক্লি। মখোয়গী ফোটো নত্রগা ভিদিওশিং অদু উরুরগা হৌগৎলক্লিবা নহা কয়ানা মতৌ তম্লক্কদ্রা হায়বগী অকিবসু পোক্লরি।

মালেসিয়াদা পেরেদ ত্রেনিং তৌবদা মিলিটরি হেলিকোপ্টর অনী থেঙ্গাইনবগী থৌদোক্তা মীওই ১০ শিখ্রে

কোলা লম্পুর, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি) : ঙসি মালেসিয়াগী আর্ম ফোর্সেস হেলিকোপ্টর ২ নোংথক্তা থেঙ্গাইনবগী থৌদোক্তা মীওই ১০ লৈখিদ্রে হায়না মালেসিয়ান মিলিটরিগী মাইকৈদগী ফোঙদোরকখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি লুমুৎতা লৈবা রোয়েল মালেসিয়ান নেভি (আর এম এন) গী বেজ দা থোকখিবনি। থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুংদা সোসিয়েল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকপা ভিদিও অমদা মিলিটরি হেলিকোপ্টর খরা নোংথক্তা পাইদুনা পেরদকী ত্রেনিং তৌরিঙৈদা খঙহৌদনা হেলিকোপ্টর ২ থেঙ্গাইনবা উখি। মসিগী মতুংদা হেলিকোপ্টর ২ অদু য়ুংনা পাইথখিদুনা হেলিকোপ্টর অমনা স্বিম্মিং পুল অমদা অমদি অতোপ্পা হেলিকোপ্টর অদুনা নেভি বেজ অদুগী ষ্টেদিয়মদা তাশিনখি।

হেলিকোপ্টর অমনা ক্রু মেম্বর ৭ তোংখিবনি অদুগা অতোপ্পা অদুদনা ক্রু মেম্বর ৩ তোংখিবনি। মখোয় ১০ মক খুদক্তা লৈখিদ্রে হায়না মালেসিয়ান আর্ম ফোর্সেসনা মীদিয়াগী খুথাংদা কনফার্ম তৌরকখ্রে।

হেলিকোপ্টরশিং অদু ৯০ শুবা তেক্তেরা লাউট দিরাজা মালেসিয়া (টি এল দি এম) নুমিৎকী পেরদ প্রেক্টিস তৌরম্বনি। পেক্টিস তৌরিঙৈদা ফোর্মেসন মওং অমা শেম্নবা নক্কা পায়শিল্লকপদা শোয়খিবদগী হেলিকোপ্টর অমগী মশানা অতোপ্পা অদুদা থেংজিল্লকপদগী থৌদোক অসি থোকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিবু মালেসিয়া মিলিটরিগী খ্বাইদগী অমম্বা নুমিৎকা মান্নে হায়রদুনা মালেসিয়া মিলিটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা লাইবকথীবা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা ক্রুশিং অসিগী অরোইবা মথৌ মঙমগী পোৎলম খুদিংমক নেভিগী মাইকৈদগী মতেং তৌগনি অমদি মখোয়বু লৈবাক শিনবা থুংনা ইকায়খুম্নবা উৎকনি হায়রি।

[illegible]

[illegible]

[illegible] **WORDSMITH** [illegible]

YOU CAN GET THE FOLLOWING WORKS DONE AND GET YOURSELF INTERNATIONALLY RECOGNIZED:

❖ MANIPURI-TO-ENGLISH TRANSLATION FOR MANIPURI WRITERS, POETS AND NOVELISTS

❖ EDITING FOR CONTENT WRITERS & THESIS IN ENGLISH FOR PhD STUDENTS

YOU CAN HIRE US FOR THE ABOVE SERVICES.
PLEASE CONTACT US AT:

WORDSMITH
PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
NAGAMAPAL LAIMAYUM LEIRAK IMPHAL
8974642764

HL-B/8682/13,16 to 30 Apr. & 2 to 12 May_Alt.

[illegible] / খোঙ হান্বা য়াদবা খোঙ হাল্লগসু হামেং মথিগুম্না অকন অকনবা হাল্লগা অমাংথোঙ মপান্দা তৎলগা খোঙ হান্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোং ময়াদা পোমথোল্লগা লৈবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হান্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা অমদি চাবা থকপা য়াদবা, খ্বাং নাবা অমদি হকচাংগী মচি-মচিদা চিকপা নাবা, খোঙ শেংনা হামদোকখিবা তারগদি পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক্ত কাবা অদু ফবা অমদি চাবা থকপসু য়াবা, খ্বাং নাবা অমদি মচি-মচিদা চিকপা অদুসু ফখিবা, খোঙ হাল্লগসু হামেং মথিগুম্না অকনবা হাল্লগা অমাংথোঙগী মপান্দা তৎলগা খোঙ হান্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোল্লগা লৈবা, পোমথোল্লগা লৈবা অদু খুৎনা থেংবদা নাবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু মরেং মরেং চৎলগা হাকৎচবা, শা-ঙা, থাও, মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা হকচাং নুংঙাইতবা, ঙকশম মরি নাবা, লেংজুম অনিমক চিকপা নাবা, য়াংলেন শরুদা চিকপা নাবা, কময়া অনিমক চিকপা নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274430** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/8694/24 থাগৎচরিবা : **S. Tombi Singh**, Wangoi



[illegible] / শ্বর হোনবা ৱাবা, শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙমদবা, চানিং থকনিংবা পোক্তবা, থবক অকনবা শুবা ঙমদবা, খোঙ-খুৎ শজিং তোয়না হৌবা, হৈনিং শিংনিংবা পোক্তবা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা শ্বর হোনবা ৱাবা, শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙমদবা, চানিং থকনিংবা পোক্তবা, থবক অকনবা শুবা ঙমদবা, খোঙ খুৎ শজিং তোয়না হৌবা, হৈনিং শিংনিংবা পোক্তবা, পোথারগতা লৈনিংবা, অরুম্বা পোৎ পুবা ঙমদবা, থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, শ্বর হোনবদা থবাক্তা গের-গের লাউবা মখোল থোকপা, খ্বাং নাবা, য়াংলেন শরুদা চিকপা নাবা, ফম্বী শোনবা, অহিং তুম্বা য়াদবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা **MV Azad Phusam Phone No. 7628890261/9089738275** দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :1. Hatta Opp. Oil Pump Near Public Hospital, Imphal.
2. Mayang Imphal, Konchak Bazar. (6 am to 10 am.)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Only Sat. & Wed. Open)
4. Yairipok Bazar Near Traffic Point (Only Sunday Open)

HL-P/10398/24 থাগৎচরিবা : **M. Jemes Meitei**, Uripok

[illegible] / খঙহঞ্জবা

Right Stop Foundation Ward Nos. 11 Bishnupur না issued তৌবা I.D. Card অসি চৎনররোই। Right Stop Foundation অসি Permanantly Closed তৌজরে। মরম অসিনা dated 22nd April, 2024 দগী Center গী মীং অমদি ID Card নচিংবা মখা তানা চৎনররোই।

Sd/-
President

HL-P/10040/24

[illegible]/Ph.D. AWARDED

Mr.Dalin Laisom, S/O (Late) Laisom Ibomcha Singh and Yendrembam Indira Devi of Keishamthong Laisom Leirak, Imphal West has been conferred the Doctor of Philosophy (Ph.D) Degree in Political Science by CMJ University, Jorabat, Meghalaya for his Thesis entitled "A Study on the Role of Democratic values and Principles in Shaping Indian Governance"Ref.No:CMJU/RO/Ph.D/R-2016/Noti./2024/002-001 on 24-02-2024 under Registration No.80185620100019.

He has completed his research work under the esteemed supervision and guidance of research guide Dr. Ashalata Maisnam, Assistant Professor, Department of Political Science, Lilong Haoreibi College, Ushoipokpi, Manipur. During his research period, he has published two national research articles and Books chapters. He has also participated in several national and international seminars workshop and Faculty Development Programme. He is also awarded with a Gold Medal in (B. A hons) in Political Science for his academic achievements. We the family members, friends and relatives extend best wishes to Dr. Dalin Laisom for his future endeavours.

Best wishes from
Family members, Friends and Relatives

HL-P/10037/24

ADVANCED COACHING INSTITUTE (ACI)

Science/Arts/ comm

THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN MANIPUR

MAXIMUM POSITION HOLDERS IN HSLC & COHSEM EXAM EVERY YEAR

[illegible] TOPPERS STUDENTS

HSLC: 2nd Post DHANAJIT, 9th Post. SWATI, 10th Post' KHENILA, 11TH Post NEVITA, 15th Post AVANTIKA, 16th Post SHAGEINGANBA, 17th Post BIDAYA, 17th Post KHENIKA, 17th Post KHENIJA, 7th post SNEHA, 9th Post MALEM, 23TH Post. PARES, 24th Post TANU

SCIENCE: 11 TH Post NEVITA, 4TH Post ROBINSON, 6TH Post SHAH MINHAZ, 8th Post. ANJU ANAND, 9th Post. THOUNGAMBA, 16th Post SAMANANDA

ARTS: 3RD Post FIROJH, 7TH Post OBINKUMAR, 8th Post. PARITON, 8th Post. PARIHAN, 10th Post. SANATHOI, 5th Post SHARMELI, 5TH Post BERON, 8th Post. LINTHOINGAMBI, 10th Post. BRINDASHI

STATE BOARD (BOSEM /COHSEM (HURRY!! LIMITED SEATS!!!) CENTRAL BOARD (CBSE)
XI & XII course (Sc./Arts/Comm) : 15th, 18th April IX & X COURSE : 15th, 18th April
IX & X FOUNDATION : 15th & 18th April XI & XII (Sc / Arts/ Comm) : 15th, 18th April

1 Month Free spoken(Hindi/ English) & computer classes for first 50 Students (x result waiting)

SPECIAL facilities:
1. Study materials of each chapter
2. Sunday Test Series 3. Sunday extra Classes For optional subjects & MIL 4. van Services
5. Extra class for weakers STUDENTS
6. Separate Boys Hostel/ Girl Hostel 7. Motivation

SPECIAL CONCESSION:
ACIANS or Any former students 2. students of Govt. schools 3. Meritorius student
4. Two or more students of same parent

TIME :
4.15 to 7.50pm
4pm to 7.30pm

For details Plz visit to office, Nagamapal during office hours(11 to 7.30 pm) & Kwakeithel (10.30 to 4.30 pm)#9862992105

HL-B/8530/19 Mar. (30 days)